

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, APRIL 05, 2019 **PAGE 7**



*ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী টিম চেন্নাই সুপর কিংসকী বেটসমেনশিংগী মনুংদা রন ৪০০০ য়ৌবা ঙম্বা অনীশুবা শান্নরোই ওইরিবা মহেন্দ্র সিংহ ধোনি*

*ইটালিগী ক্লব জুবেন্টসতা কুমজা ২০২১ ফাওবা শান্ননবগীদমক মতম শাংদোকখ্রবা ক্রোএসিয়া মচা মারিও মেন্দজুকিক*

## ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম ফিফা রেঙ্কিংগী ১০১ দা হাইগৎখ্রে, বেলজিয়মনা নম্বর ৱানদা লেঙদনা লৈরি



*জুরিক, এপ্রিল ৪ঃ*
মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল লূপ ওইরিবা ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) না ঙসি থাদোরকপা খ্বাইদগী নৌবা রেঙ্কিং লিষ্টতা ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম ১০১ শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে, বেলজিয়মনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লেঙদনা লৈরি।

নৌনা থাদোরকখিবা ফিফা রেঙ্কিং অসিদা ইন্দিয়ানা হান্না ১০৩ শুবদা লৈরম্বদগী থাক ২ হাইগৎলগা ১০১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম অসি চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৭ তগী ইন্টরনেসনেল মেটচ অমত্তা শান্নদনা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপা ফুটবোল টিম পোইন্ট ১২১৯ ফংদুনা এসিয়াগী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুং দা ১৮শুবদা লৈরি।

ফিফাগী অনৌবা রেঙ্কিং লিষ্ট অসিদা বেলজিয়মনা পুন্না পোইন্ট ১৭৩৭ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লেঙদনা লৈরি। ফ্রান্সনা পোইন্ট ১৭৩৪ দা অনীশুবা অদুগা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙল্লিবা ব্রাজিলনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি।

য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বালিফায়িং মেটচ অনী মায় পাকখিবা ইংলেন্দ হান্না ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক অমা হাইগৎলগা ৪শুবদা লৈখি।

হান্না ৪শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা ক্রোএসিয়া মমাঙ থাদা হঙ্গেরিগা শান্নখিবা মেটচতা মায়থিখিবদগী থাক অমা হন্থরগা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখি।

উরুগ্বে অমদি য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন পোর্তুগাল মথংশিংনা ৬শুবা অমদি ৭শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙল্লি। স্বিটজরলেন্দ অমদি দেনমামার্ক টোপ টেনগী মনুং চল্লি।

ফিফা রেঙ্কিংগী মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বা জর্মনি হন্দক্তা নেদরলেন্দসকা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাকখিবদগী হান্না লৈরম্বা পোজিসনদগী থাক ৩ হাইগৎলগা ১৩শুবা পোজিসনদা লৈখি। অদুগা নেদরলেন্দসনা ১৬শুবা পোজিসনদা হন্থখি।

এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুং দা ইরাননা ফিফা রেঙ্কিং অসিদা খ্বাইদগী ফজবা ওইনা ২১শুবা পোজিসনদা লৈরি। মসিগী মতুং দা জপান (২৬), সাউথ কোরিয়া (৩৭), ওষ্ট্রেলিয়া (৪১) অমদি কুমজা ২০২২ ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুম্বু ওইগদৌরিবা কাটারনা ৫৫শুবা পোজিসনদা লৈরি।

## কিদম্বী স্রিকান্থ মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টনগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, পি ভি সিন্ধু মায়থিহৌরে



*নুপাগী সিঙ্গলসতা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থ*

*কোলালম্পুর, এপ্রিল ০৪ঃ*
মালেসিয়াগী কোনুং কোলাম্পলম্পুরদা শান্নরিবা য়ু এস দোল্লর ৭০০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপা সট্টলর কিদম্বী স্রিকান্থ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপীগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী স্রিকান্থনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ফেটপ্রাদাবপু ষ্ট্রেট গেম ২১–১১, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোই স্রিকান্থনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন লোংগা লম্বা তৌনরগনি। চেন লোংনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী কে ৱাংচারোনবু ২২–২০, ২১–১৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা জপানগী কেন্টো মোমোটাবু সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই জোনাথন খৃষ্টিনা ষ্ট্রেট গেম ২২–২০, ২১–১৫ মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

দেনমার্ককী ভিক্তর এজেলসেননা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী লু গুৱাঝুবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ২১–১১, ১৬–২১, ২১–১৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

মালেসিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা চাইনাগী সি য়ুক্কীনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী এ এন্টোনসেনবু ২১–১৮, ২১–১৯ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ৫শুবা সিদেদ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনগী মখূত্তা য়াম্না শোখনা ১৮–২১, ৭–২১ দা মায়থিহৌখি।

সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ চাইনাগী চেন য়ুফেগা লম্বা তৌনরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা অনীশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী বি ওংবামরুফানবু ২১–১৬, ২১–১৪ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসকী বৈৱেন ঝাংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২৩–২৫, ২১–১৪, ২১–১৬ দা থোইরম্বী ৭শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী রাটচানোক ইন্টানোনগা শান্নরগনি।

৪শুবা সিদেদ জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিবু ২১–১৬, ১৫–২১, ২১–১৬ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা থাইলেন্দগী পি চোচোৱোংগা শান্নরগনি।

৬শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিং জিয়াওনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা স্কোটলেন্দগী কে গিলমোরবু ২১–১৫, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

## ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিম্না অহানবা মেটচতা য়ুম্বু মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে



*কোলা লুম্পুর, এপ্রিল ০৪ঃ*
মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কী টিমগা শান্নরিবা মেটচ ৫ গী হোক্কী সেরিজ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহানবা মেটচ অসিগী অহানবা ক্বার্টর শান্নরকপদা টিম অনীগী শান্নরোইশিং য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর শান্নবা হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না চথদুনা লাকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ভন্দনা কটারিয়ানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুগী লেমহৌবা মতম খরা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাক্নবা ঙম্নদনা লৈখিবদগী ইন্দিয়ানা মালেসিয়াবু ১–০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা মালেসিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা ইন্দিয়াগী দিফেন্দর সভিতানা ঙাকথোকখিবদগী ইক্বেলাইজর ওইবা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী ৩৮শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংগী মখা তাবা এটেক অমদা লালরেমসিয়ামীনা থাজিনখিবা সোট অমা মালেসিয়াগী গোলকিপর মায়থিবা পীরম্লগা টিম অসিগী অনীশুবা গোল ওইহনবা ঙমদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা মালেসিয়াগী শান্নরোইশিংনা অকনবা প্রেসর পীশিনবা হৌখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মালেসিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অহুম ফংখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা ফজবা হেনখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৬০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা ষ্ট্রাইকর ভন্দনা কাটারিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ইন্দিয়ানা য়ুম্বু মালেসিয়াবু ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা মেটচ ৫ গী সেরিজ অসিদা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

লৈবাক অনীগী মেটচ ৫ গী হোক্কী সেরিজ অসিগী অনীশুবা মেটচ লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা শান্নরগনি।

### ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ ২০১৯

## মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৩৭ দা মায়থিবা পীখ্রে

*মুম্বাই, এপ্রিল ০৪ঃ*
ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১৫শুবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৩৭ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিগী টোস চেন্নাই সুপর কিংসনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। মুম্বাইনা হান্না বেট্টিং তৌরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭০ লৌবা ঙমখি।

টিম অসিগী ওপনর ক্বিন্টন দি কোক শুপ্নগী রন ৪ দা আওট ওইখি। অতোপ্পা ওপনর রোহিট শর্ম্মসু রন ১৩ লৌরম্লগা আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন য়ুবরাজ সিংহসু রন ৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

৩শুবা বেটসমেন সুরিয়াকুমার অমদি ৫শুবা বেটসমেন ক্রুনাল পান্দিয়ানা মুম্বাইগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি। ক্রুনাল পান্দে বোল ৩২ মায়োক্নুবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ৫ য়ৈরগা রন ৪২ লৌরম্লগা আওট ওইখি। সুরিয়াকুমারসু বোল ৪৩ মায়োক্নুবদা সিক্স অমা অমদি ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৫৯ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

হর্দিক পান্দিয়া অমদি কৈরোন পোলার্দনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ২৫ অমদি ১৭ লৌবা ঙমখিবদগী ওভর ২০ লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১৭০ লৌবা ঙমখি।

চেন্নাই সুপর কিংসনা মায় পাক্নবগীরন ১৭১ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্নগী রন ৩৩ লৌখিবদগী মেটচ অদু মুম্বাইনা চেন্নাই সুপর কিংসপু রন ৩৭ দা মায় পাকখি।

চেন্নাই সুপর কিংসকী ইন্নিংস হৌবদগী ফিভম শোকখি। স্কোর বোর্দতা শুপ্নগী রন ৩৩ শুরবদা বেটসমেন ৩ আওট ওইখি। ৪শুবা বেটসমেন ওইনা চঙলকখিবা কেদর যাদবনা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫৪ মায়োক্নবদা সিক্স ১ অমদি ফোর ৮ য়ৈরগা রন ৫৮ লৌরম্বা অসি নত্তনা মখা তানা চঙলকখিবা অতোপ্পা বেটচমেশিং রন নীংথিনা লৌবা ঙমখিদবদগী চেন্নাই সুপর কিংসকী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩৩ দা লোইশিনখি।

মুম্বাইগী বোল্লিংদা লসিফ মালিঙ্গা অমদি হর্দিক পান্দিয়ানা চেন্নাই সুপর কিংসকী ৱিকেট ৩। ৩ লৌখি। জেসন বেহরেন্দ্রোফসু ৱিকেট ২ লৌখি।

## রুশিয়াগী পাল্লিয়ুচেনকোভা অমদি বেলজিয়মগী ফ্লিপকেন্স ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*মোন্টেরি, এপ্রিল ০৪ঃ*
মেক্সিকোগী সিটি মোন্টেরিদা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা রুশিয়াগী এ পাল্লিয়ুচেনকোভা অমদি বেলজিয়মগী কে ফ্লিপকেন্স সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

মোন্টেরি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী এ পাল্লিয়ুচেনকোভানা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সর্ভিয়াগী ইভানো জেরোভিসপু য়াম্না লায়না ষ্ট্রেট সেট অনী ৬–০, ৬–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী বেলজিয়মগী কে ফ্লিপকেন্সনা অনীশুবা রাউন্দদা স্লোভেনিয়াগী দি জাকুপোভিসপু ষ্ট্রেট সেট ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা মহাকসু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ স্লোভাকিয়াগী এম রাইবারিকোভানা স্বিটজরলেন্দগী এস ভোগেলিবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৫–৭, ৬–২, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা য়ুএসকী শান্নরোই এস ভিক্করিগা শান্নরগনি।

য়ুএসকী ভিক্করিনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী এন হিবিনোবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৫, ৫–৭, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকপনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ য়ুএসকী এম মুহমদ অমদি এম সঞ্চেজনা মেক্সিকোগী জি ওলমোস অমদি ব্রাজিলগী এল ষ্টেফানিগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএসকী পেয়রনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চিলিগী গুৱারাচি অমদি য়ুএসকী সান্টামারিয়াবু থোইরম্বনি। অদুগা মেক্সিকো অমদি ব্রাজিলগী পেয়রনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী পেয়র কানিয়া অমদি সিজিকোভাবু মায়থিবা পীরম্বনি।

## স্পেনগী লা লীগাদা ভেলেন্সিয়ানা রিয়েল মাদ্রিদপু ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মেঞ্চেষ্টর সিটিনা মকোক ওইরি



*ভেলেন্সিয়া। লন্দন, এপ্রিল ০৪ঃ*
স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ভেলেন্সিয়ানা রিয়েল মাদ্রিদপু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে, ইংলিশ প্রেমিয়র লীগতা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

মেটচ অদু হৌবদগী ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌদুনা শান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লৈখ্রবা মতুং মেটচকী ৩৫শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই গোনকালো গ্বেদসনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। রিয়েল মাদ্রিদনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৮৩শুবা মিনটতা ভেলেন্সিয়াগী শান্নরোই ইজেক্বেল গারেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিহনখি।

মেটচকী অরোইবা মিনটতা পাঞ্জল অনী শোখদুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কারিম বেঞ্জেমানা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা ঙমখ্রবসু মেটচ অদু ভেলেন্সিয়ানা ২–১ দা মায় পাকপা ঙমখি।

লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা সেল্টা ভিগো অমদি হুয়েস্কা পাঞ্জল ৩–৩ দা দ্রো চৎখি।

সেল্টা ভিগোগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা বাইজ মেন্দেজনা অহানবা, আইগো ওলাজানা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা অনীশুবা অদুগা ৮১শুবা মিনটতা রিয়াদ বোদেবোজনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি।

হুয়েস্কাগী পাঞ্জলশিং অদুশান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা ইনরিক গাল্লেগোনা অহানবা, ৭১শুবা মিনটতা ইজেক্বেলনা এভিলানা অনীশুবা অদুগা মেটচকী ৭৩শুবা মিনটতা জোর্জ পুলিদোনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

ইংলেন্দদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা ৩২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়ন মেঞ্চেষ্টর সিটিনা কার্দিফ সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

শান্নবা হৌরকপা ৬শুবা মিনটতা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই কেভিন দি ব্রুইননা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিনবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমখক ৱাৎলিঙৈদা পাঞ্জল মাঙজিল থারিবা মেঞ্চেষ্টর সিটিগী শান্নরোই লেরোই সানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–০ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু মেঞ্চেষ্টর সিটিনা কার্দিফ সিটিবু পাঞ্জল ২–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু ২–০ দা থোইরমখি।

অহানবা হাল্ফতা টিম অনীমক হৌবদগী য়াম্না লম্বা মান্নরকখিবদগী পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা টোটেনহাম হোটস্পরগী সোন হ্যুং মিননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। ৮০শুবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই খৃষ্টিয়ান ইরিকসেননা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২–০ দা মায় পাকখি।

### ক্রোসৱার্দ ১২২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | N | A | I | S | | S | H | A | D | | S | H | E | D |
| M | O | U | N | T | | T | A | R | E | | T | E | R | I |
| I | N | T | H | E | M | A | I | N | S | T | R | E | A | M |
| R | E | H | I | R | I | N | G | | O | R | E | L | S | E |
| | | | B | E | N | Z | | A | L | I | A | S | E | S |
| N | A | T | I | O | N | A | L | B | A | N | K | | | |
| E | X | I | T | S | | | A | L | T | E | | L | A | G |
| A | L | E | S | | L | E | V | E | E | | M | E | N | U |
| P | E | R | | M | I | R | E | | | C | A | S | T | S |
| | | | R | A | P | I | D | T | R | A | N | S | I | T |
| A | S | P | E | R | S | E | | A | O | N | E | | | |
| S | H | A | G | G | Y | | T | R | A | D | U | C | E | S |
| C | U | R | R | E | N | T | A | R | R | I | V | A | L | S |
| A | T | E | E | | C | I | T | E | | D | E | I | S | T |
| P | S | S | T | | S | E | E | D | | E | R | N | E | S |

## এএফসি কপ ২০১৯ দা চেন্নাইন অমদি মিনর্ভা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে

*অহমেদবাদ, এপ্রিল ০৪ঃ*
এসিয়ান ফুটবোল কনফেদরেসন (এ এফ সি) কপ ২০১৯ গী ঙরাং অথেংবদা অহমেদবাদতা শান্নখিবা গ্রুপ ই গী মেটচ অমদা চেন্নাইন অমদি মিনর্ভা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা চেন্নাইন এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা থোই সিংহনা কাউশিনখিবা সোট অমা মিনর্ভাগী গোলকিপরনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা মিনর্ভা পঞ্জাবদা নৌনা সাইন তৌখিবা সামুয়েল লালমুৱানপুইয়ানা কাউশিনখিবা সোট অমা চেন্নাইন এফসিগী গোলকিপর করনজিৎ সিংহনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

অহানবা হাল্ফ অদু পাঞ্জল লৈনখিদ্রবা মতুং অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা য়াবা খুদোংবা ফংনখ্রবসু মায় পাকপা ঙম্নদনা লাকখি। মখা তানা শান্নরকপদসু টিম অনীমক পাঙ্গল মান্নখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা মেটচ অদু লোইশিনখি।